**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 07-04-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যগী ভেটেরিনারি বিভাগনা হায়রি- য়ুমদা লোইবা হুইশিং, লন্মী-শোরোক্তা থাদোকপা হুইশিংগা য়ারিবা মখৈ পুলহন্দনবা হোৎনগদবনি।

২) রাজ্যগী হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যারগী কম্মিসনারনা হায়রি- মণিপুরগী আই.এম.আর অমসুং পি.এম.আর অসি জাতি থাক্কা য়েংনরুবদা নেম্লি।

৩) ফুড সেফতি বিভাগ অমসুং নেসনেল তোবেকো কন্ত্রোল প্রোগ্রাম ৱিংনা ইম্ফাল ইষ্টকী মফম কয়াদা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং ফাগৎপগী খোঙজং চংশিনবা হৌখ্রে।

৪) ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট ২০২৫ গী মায়োক্তা থাংগৎলকপা পিটিসনশিংগী মতাংদা হিয়ারিং অমা অথুবা মতমদা পাঙথোকবা সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি অয়াবা পীখ্রে।

অমসুং

৫) সরকারনা পেত্রোল অমসুং দিজলদা লৌবা এক্সাইজ দ্যুতি লিতর অমদা লুপা অনি অনি অমদি এল.পি.জিগী মমল সিলিন্দর অমদা লুপা ৫০ হেনগৎনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

------

রেবিস (এল)ঃ রাজ্যগী ভেটেরিনারি বিভাগনা হায়রি- য়ুমদা লোইবা হুইশিং, লন্মী-শোরোক্তা থাদোকপা হুইশিংগা য়ারিবা মখৈ পুলহন্দনবা হোৎনগদবনি।

মীয়ামা য়ারিবা মখৈ মতম চানা হুইশিংবু এন্তি রেবিসকী তিকা থাদোক্কদবনি।

ইম্ফালগী শঞ্জেন্থোংদা লৈবা ভেটেরিনারি অমসুং এনিমেল হজবেন্দরি বিভাগতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা বিভাগ অসিগী দিরেক্তর ডাঃ আর.কে. খোগেন্দ্রজিৎনা হায়- চুরাচন্দপুর জিলাদা রেবিসকী মতাংদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা জোইন্ট দাইরেক্তর অমসুং দিপ্যুতি দাইরেক্তরশিংগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা রেবিস লায়না শন্দোরক্লিবা অসি করমা থিংগদগে হায়বগী মতাংদা কুপা খন্নখি। মহাকা হায়- চহি খুদিংগী রেবিস লায়না অসি এপ্রিল থাদগী জন্ থা ফাওবা শন্দোক্কল্লি। মীয়ামা লায়না অসি শনে দারকে হায়দুনা মীপাইনিঙাই লৈতে। চুরাচান্দপুর জিলাগী ওইনা কন্ট্রোল রুম অমা হাংদোক্লে। মসিগী টেলিফোন নম্বরনা- ৮৮৩৭ ৪১৬৬৯৬ নি। মসিগী মথক্তা লায়না লাকশিন্নবা রেপিদ রেস্পোন্স টিম শেল্লে। ডাঃ খোগেন্দ্রজিৎনা হায়- জিলা খুদিংমক্তগী এন্তি রেবিস তিকা থাদোকপগী রিপোর্ট নুমিৎ খুদিংগী পীখৎলকবসু খঙহনখ্রে। মহাকা হায়- বিভাগ অসিগী ওইনা লেমা হিদাক কাপ্পগী থবক চত্থবগা লোয়নননা লায়না অসিগী মতাংদা মীয়াম্বু হেন্না খঙহন্নবা থবক থৌরম চত্থরি।

অমরোমদা, চুরাচান্দপুর জিলাদা রেবিস লায়না শন্দোরক্লিবা অসিগী য়েংলগা চান্দেল জিলাদা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলে। জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার এল. নন্দকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- জিলা অসিগী লম্বী শোরোক্তা লৈরিবা হুই-হৌদোংশিং ফাদুনা হিদাক কাপথোকপা নত্রগা মীয়াম তিনবা মফমশিংদগী হুই-হৌদোংশিং লৌথোক্লগনি। শা লোইরিবা মীয়ামা রেবিস লায়নাদগী ঙাকথোকবা এন্তি রেবিস তিকা কাপথোক্কদবনি। চেরোল অদুনা হায়- কনাগুম্বা মীওই অমা হুই নত্রগা হৌদোংনা চিক্লবদি মনাক নকপা হোস্পিতাল নত্রগা হেলথ সেন্তরদা চত্তুনা লায়েংগদবনি। রেবিস লায়নানি চিংনবা হুই-হৌদোংনা চিকপগী পাউ লৈরবদি মরী লৈনবশিংদা রিপোর্ট তৌগদবনি। চেরোল অদুনা হায়- হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসি য়েংলগা হুই-হৌদোংশিং লেমা তিকা কাপথোকবা ভেটেরিনারি ওফিসারশিংদা পাউ ফাওবা য়াগনি।

বিষ্ণুপুর জিলাদা হৌজিকমক্কী ওইনা রেবিস লায়না শন্দোরকপগী পাউ লৈতে হায়রি। দিষ্ট্রিক্ট ভেটেরিনারি ওফিসারগী পাউ পল্লদুনা ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর পাউমীনা হায়- জিলা অসিগী মফম কয়াদা হুই হৌদোংশিং তিকা কাপথোকপগী থবক পাক্তকনা চত্থরি।

হেলথ (এল)ঃ রাজ্যগী হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যারগী কম্মিসনার কম সেক্রেটরি সুমন্ট সিংহনা হায়রি- মণিপুরগী ইনফেন্ট মোর্তেলিতি রেট (আই.এম.আর) অমসুং প্রি-নেটল মোর্তেলিতি রেট (পি.এম.আর) অসি জাতি থাক্কা য়েংনরুবদা নেল্লি।

দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেস অমসুং নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরনা পুন্না শিন্দুনা হেলদি বিগিনিংস, হোপফুল ফ্যুচরস হায়বা হিরমদা মালেমগী হকশেল নুমিৎকা মরী লৈননা হোটেল ইম্ফালদা পাঙথোকপা থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী সুমন্ট সিংহনা হায়- রাজ্য অসিগী ওইনা আই.এম.আর অমসুং পি.এম.আর নেল্লিবা অসিদা করিসু চিংননিঙাই লৈতে। মসিগী দাটাশিং অসি অচুম্বনি। মহাকা হায়- সরকারগী লোইশঙশিংদা অঙাং উন্নবগী চাং হেনগৎহনবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিগী মথক্তা সরকারনা হকশেলগী খুদোংচাবশিং হেন্না পাকথোক চাউথোকহনবগী তঙাইফদবসু লৈ।

ঙসিগী থৌরম অদুদা হেলথ সার্ভিসেসকী দিরেক্তর ডাঃ চম্বো গোনমৈ, ফেমিলি ৱেলফ্যার সার্ভিসেসকী দিরেক্তর ডাঃ এন. হেমন্টকুমার সিংহ, ষ্টেট হেলথ সোসাইতি মণিপুরগী মিসন দাইরেক্তর ডাঃ এম. দিনেস সিংহনচিংবা শরুক য়াখি।

লিলোং (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী লিলোং বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুং চনবা মফমশিংদা বি.এন.এস.এসকী সেক্সন ১৬৩ গী মখাদা মীওই মঙা নত্রগা মঙাদগী হেন্না পুনবা য়াদবা অমসুং শোকপা পনবা য়াবা খুৎশু খুৎলয় পুদুনা চৎপদা অথিংবা থমলে।

থৌবাল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- লিলোং সমব্রুখোং মমৈদা লৈবা মীওই অমগী যুম মৈ থাদুনা মাং তাকহল্লম্বগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং মখা তানা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা অথিংবা অসি থম্বনি।

অমরোমদা, বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী মাইনোরিতি মোর্চাগী প্রসিদেন্ট আস্কর আলি মককময়ুমগী য়ুম মৈ থাদোক্লম্বগী থৌদোক অদুবু বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

তোবেকো (এল)ঃ ফুড সেফতি বিভাগ অমসুং নেসনেল তোবেকো কন্ট্রোল প্রোগ্রাম ৱিংনা শিন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী মফম কয়াদা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং ফাগৎপগী খোঙজং অমা চংশিনখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চীফ মেদিকেল ওফিসার ডাঃ এল. ইন্দিরা দেবীনা হায়- মকোক থোংবশিংগী পাউতাক মতুংইন্না ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী চীংমৈরোং খোঙনাং অনি কারক অমসুং মন্ত্রিপুখ্রিদা দ্রাইভ চথবদা মৈখু থোকপা অমসুং থোক্তবা হিদাক মনাগী পোৎলম ১৭ ফাগৎখি। মহাকা হায়- খোঙজং অসি ইম্ফাল ইষ্টকী মফম কয়াদসু মখা তানা চখিগনি। ডাঃ ইন্দিরানা হায়- দ্রাইভ মনুংদা ফাগৎলকপা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং তঙাইফদবা থবক থৌরমশিং লোইশিল্লবা মতুং মাংহনগনি।

এময়ু (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী কলেজ দিভলপমেন্ট কাউন্সিলনা শিন্দুনা নেসনেল ইজ্‌কেসন পোলিসি (এন.ই.পি) ২০২০ রুটস, ষ্টেটস এন্দ চেলেঞ্জেস হায়বা হিরমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ওদিতোরিয়মদা ঙসি থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা বিদ্যা ভারতি উচ্চা শিক্ষা সংস্থানগী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি শ্রী কে.এন. রঘুনন্দন, মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার নাওরেম লোকেন্দ্র সিংহ শরুক য়াখি।

ক্লাইমেত (এল)ঃ সষ্টেনেবল এগ্রিকলচর ফোর লাইভলিহুদ দিভলপমেন্ট হায়বা হিরমদা নুমিৎ হুমি চখগদবা ৱার্কসোপ অমা লমফেলপাৎ ইম্ফালদা লৈবা

আই.সি.এ.আর মণিপুর সেন্তরগী লোক্তাক ফারমর্স হোষ্টেলদা ঙসিদগী হৌখ্রে।

আই.সি.এ.আর মণিপুর সেন্তর অমদি কোকোমি ফারমর্স ৱিংনা শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতি ইম্ফালগী কলেজ ওফ এগ্রিকলচরগী দিন প্রোফেসার ইন্দিরা শরাংথেম, হোর্তিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী দিরেক্তর কে. দেব দত্ত শর্ম্মা, দিরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী দিরেক্তর ডাঃ টি. ব্রজাকুমারনচিংবা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা প্রোফেসার ইন্দিরা শরাংথেমনা হায়- মহৌশাগী খলদা অহোংবা কয়া লাকপনা মরম ওইরগা লৌউ শিংউদা চাউনা অকায়বা পীরি। মসিদগী ঙাকথোকবা ঐখোয় পুমমকা লম্বী অমা শেমদুনা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে। লৌউ শিংউ হায়বসি নোংজ্ নুংশাগী মখা পোনবনা মতম চাদনা ঈশিং ঈচাউ অমদি ঈকং থোকপনা মহৈ মরোং থাবদা অকায়বা কয়া পীরি মহাকা মকা তানা ফোংদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা লৌমী কয়া শরুক য়াখি।

ইপসা (এল)ঃ জোইন্ট কমিতি ওপোজিং দিলিমিতেসন এক্সরসাইজ ইন মণিপুর, কংলৈপাকনা ২০০১ গী মীকোক থীবদা য়ুম্ফম ওইরগা দিলিমিতেসন তৌবা য়ারোই হায়রি। ইং ২০২০ দা শেমখিবা কমিতি অসিনা থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ইং ২০০১ গী মীকোক থীবদা অরানবা কয়া য়াওখি। মরম অদুনা মসি হান্না চুমথোক্ত্রিবা মখৈ দিলিমিতেসনগী থবক থৌরম চথবা য়ারোই।

লাইরিক (এল)ঃ শ্রীশ্রী গোবিন্দজিগী ফিজেৎ হায়বসিগী মতাংদা লাইরিক অমা ঙসি জে.এন. মণিপুর ডান্স একাদমি ইম্ফালদা ফোংখ্রে। লাইরিক অসি শুখদেব শর্ম্মা হঞ্জবম অমসুং পুখ্রম্বম জেমস সিংহনা ইবনি।

সি.দি.সি মণিপুর য়ুনিভর্সিতি, জে.এন. মণিপুর ডান্স একাদমি অমসুং আই.এফ.এন.ই মণিপুরনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকপা লাইরিক ফোংবগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার নাওরেম লোকেন্দ্র সিংহ,

মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ওফ কলচরগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার পাউনম গুনিন্দ্রো সিংহনচিংবা শরুক য়াখি।

কেম্প (এল)ঃ ককচিং জিলাগী ককচিং চুমাম লৈকাইদা লৈবা শিজ সিতি দেন্টল হোস্পিতাল লিংখৎখিবগী কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা হোস্পিতাল অসিদা ঙসি লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। দিপার্টমেন্ট ৬ কী তোঙান তোঙানবা ডোক্তরশিং অমদি ষ্টাফ ১৮ না কেম্প অদুদা মীওই ৪০০ রোম লায়েংখি। ঙসি পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা শিজ হোস্পিতালগী চীফ মেনেজিং দাইরেক্তর ডাঃ পালিন খুন্দোংবম শরুক য়াখি।

মৈ (এল)ঃ এম.এস.পি.সি.এলগী ষ্টাফশিংনা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা রেইদ চত্থবদা মৈ লান্না শিজিন্নরম্বগীদমক মীওই ২৪ ফাগৎখ্রে। লোয়ননা মীওই ২০ গী মৈ ককথৎখ্রে।

ঈশিং (এল)ঃ রাজ্য অসিদা ঈশিং কংবা থা ওইবা অমসুং তুরেলগী ঈশিং ঈমায় বেজ লেবেলদগী হন্থখিবনা মরম ওইরগা নিংথেম পুখ্রি ৱাটর সপ্লাই স্কিম অমসুং কাঞ্চিপুর ৱাটর সপ্লাই স্কিমনা কোনবা মফমশিংদা লৈবা মীয়ামদা মতম খরা ঈশিং পীবা ঙম্লরোই হায়না মণিপুর সরকারগী পাব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং বিভাগনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ৱাকফ ঃ ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট ২০২৫ গী মায়োক্তা থাংগৎলকপা পিটিসনশিংগী মতাংদা হিয়ারিং অমা অথুবা মতমদা পাঙথোকবা সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি অয়াবা পীখ্রে।

চীফ জষ্টিস শঞ্জিভ খন্না, জষ্টিস শঞ্জয় কুমার অমসুং কে.ভি. বিশ্বানাথন্না শাবা বেঞ্চ অমনা জামিয়াদ উলামা-ই-হিন্দগী মহুৎ শিল্লিবা এদভোকেট কপিল সিবলনা থাগৎলকপা পিটিসন অমা কুপা খন্নরবা মতুং হিয়ারিং চত্থনবা ৱারেপ অদু লৌখিবনি। শ্রী কপিল সিবলগা লোয়ননা এদভোকেট অভিসেক সিংভি

অমসুং লোয়র নিজাম পাসানা অথুবা মতমদা হিয়ারিং চত্থনবা পুখৎলকখি।

নিংশিংবা য়াই, রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা সংসদকী সভা অনিমক্তা পাস তৌখ্রবা ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২৫ অয়াবা পীখ্রবনি।

থাউ ঃ সরকারনা পেট্রোল অমসুং দিজলদা লৌবা এক্সাইজ দ্যুতি লিতর অমদা লুপা অনি অনি হেনগৎনবা ৱারেপ লৌখ্রে। অদুমওইনমক, থাউ পুথোক্লিবা কম্পনিশিংনদি দিজল অমসুং পেট্রোলগী রিটেল প্রাইসশিংদা মমল হেনগৎপগী ৱাফম লৈতে হায়না শেংদোরক্লি।

নিউ দিল্লিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রি হরদিপ সিংহ পুরিনা হায়- এক্সাইজ দ্যুতি হেনগৎলিবা অসি কঞ্জুমরশিংদদি শোকহল্লোই। কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রালয়না থোকখিবা নোটিশ অমগী মতুংইন্না হয়েংদগী হৌনা পেট্রোল অমসুং দিজলদা লুপা অনি অনি এক্সাইজ দ্যুতি ওইনা হেনগৎনবা ৱারেপ লৌখিবনি। মন্ত্রিনা হায়- এল.পি.জি সিলিন্দর অমগী মমল লুপা ৫০ হেনগৎলে। মহাকা হায়- উজৱালা বেনিফিসরিশিংগী ওইনা এল.পি.জিগী মমল হৌজিক লুপা ৫৫০ ওইরগনি। অদুগা অতৈগীনা লুপা ৮৫৩ ওইরগনি। মসি হয়েংদগী চৎনবা হৌগনি।

ইসিআই(এল)ঃ ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ই.সি.আই)না লৈবাক শিনবা থুংবদা তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংগী মীহুৎশিংগা মীফম পাঙথোকখ্রে। মমাং থাগী ৩১ দা লোইশিনখিবা নুমিৎ ২৫ নি চুপা চত্থখিবা মীফম অসিদা পুন্না মীফম লিশিং ৪,৭১৯ পাঙথোকখি। মদুদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংগী মীহুৎ লিশিং ২৮ হেন্না শরুক য়াখি। চীফ ইলেক্সন কম্মিসনার শ্রী গ্যানেশ কুমার অমদি ইলেক্সন কম্মিসনারশিং ডাঃ শুখবির সিংহ সন্ধু অমসুং ডাঃ বিবেক জোসিনা থোকখিবা হুকুমগী মতুংইন্না মীফম অসি পাঙথোকখিবনি। নিউ দিল্লিদা মমাং থাগী ৪ অমসুং ৫ দা পাঙথোকখিবা মীফমদা লৌখিবা ৱারেপ মতুংইন্না মীফমশিং অসি মীখলগা মরী লৈননা পনদুনা লৈরিবা থবকশিং লোইশিন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

বেদমিন্টন (এল)ঃ জিরিবাম জিলাদা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী দাইমন্দ জ্‌বিলিগা মরী লৈননা ৩৮ শুবা অসাম রাইফলস অমসুং জিরি কজেল অমসুং এমসুনা পুন্না শিনদুনা ওপন মেন্স দবল বেদমিন্টন তুরনামেন্ট ২০২৫ ঙসিদগী হৌখ্রে।

ত্‌রনামেন্ট অসিদা জিরিবাম অমদি কছারদগী পুন্না টিম ২০ হেনবনা শরুক য়ারি।

ভোল্লিবোল (এল)ঃ সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক এসোসিয়েসন মণিপুর অমসুং অসাম রাইফলসনা পুন্না শিন্দুনা অহানবা লেট কে. অসুলি ভি.আর.সি ওপন ভোল্লিবোল তুরনামেন্ট ঙসিদগী হৌখ্রে। তুরনামেন্ট অসি থা অসিগী ১১ ফাওবা সেনাপতিগী মিনি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কনি। তুরনামেন্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদগী নুপাগী টিম ১০ অমসুং নুপীগী টিম ৮ না শরুক য়ারি।

ক্রিকেট (এল)ঃ অনিশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিএল টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-ই.এস.য়ু ৱাংখৈনা বি.কে.সি.সি বামোনকম্পুবু ৱিকেট ৪ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা মোদেল ক্লব চীংঙামখাবু ৱিকেট ৯ দা থোইখি।

ক্রিকেট (এল)ঃ অহানবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর টোইন্তি থ্রি ৱান ডে ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা পি.টি.আর.সি পাৎশোইনা পি.এস.সি খোয়াথোংবু রন ৪৮ দা, পি.টি.সি.সি পাৎশোইনা টি.সি.এম.দি.সি থোংজ্‌ পার্ট টু পেচু লম্পাকপু ৱিকেট অনিদা থোইখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ অনিশুবা এম.এন.সি.এ. অন্দর টৌইন্তি থ্রি-হাওবম বিরমঙ্গোল মেমোরিএল ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী লিগ মেটচশিংদা ৱাই.য়ু.সি.সি ক্লাকেথেল মোইরাংপুরেলনা এ.এম.সি.এ থৌবালবু ৱিকেট ৭ তা, কে.এ.এস.সি খোমিদোকনা কে.এস.দি.ও ক্যামগৈবু রন ৯৫ তা, আর.সি.এ লিলোংনা পি.টি.সি.সি পাৎশোই পার্ট থ্রিবু রন ১২০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল(এল)ঃ অহানবা শামুরৌ চিংগোং ট্রোফি ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- এ.এল.সি.সি.ও চজিংনা ৱাই.দব্লিউ.এ ৱাংগোইবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে।

------

--অরোইবদা মরুওইবা পাড অমুক--

১) রাজ্যগী ভেটরিনারি বিভাগনা হায়রি- য়ুমদা লোইবা হুইশিং, লম্বী-শোরোক্তা থাদোকপা হুইশিংগা য়ারিবা মখৈ পুলহন্দনবা হোৎনগদবনি।

২) রাজ্যগী হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যারগী কম্মিসনারনা হায়রি- মণিপুরগী আই.এম.আর অমসুং পি.এম.আর অসি জাতি থাক্কা য়েংনরুবদা নেল্লি।

৩) ফুড সেফতি বিভাগ অমসুং নেসনেল তোবেকো কন্ত্রোল প্রোগ্রাম ৱিংনা ইম্ফাল ইষ্টকী মফম কয়াদা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং ফাগৎপগী খোঙজং চংশিনবা হৌখ্রে।

৪) ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট ২০২৫ গী মায়োক্তা থাংগৎলকপা পিটিসনশিংগী মতাংদা হিয়ারিং অমা অথুবা মতমদা পাঙথোকবা সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি অয়াবা পীখ্রে।

অমসুং

৫) সরকারনা পেত্রোল অমসুং দিজলদা লৌবা এক্সাইজ দ্যুতি লিতর অমদা লুপা অনি অনি অমদি এল.পি.জিগী মমল সিলিন্দর অমদা লুপা ৫০ হেনগৎনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

--- পাউ লোইজরে---